
# আর কে নায়োনস্না অমদি পেমা ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট

## মেন্স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবশিং খঙখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** এসোসিয়েসন ওফ টেনিস লভরসনা শিন্দুনা চীঙামথক্তা লৈবা সি ৱাই এল সিগী টেনিস কোর্টতা চথরিবা অহান্বা আর কে নায়োনস্না সিংহ অমদি আর কে ওংবী পেমা সিজ মেমোরিয়েল ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৫গী মেন্স সিঙ্গলকী সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা শান্নরোইশিং খঙখ্রে। অহান্বা সেমি ফাইনেলদা কে ঐচ বোনা অমদি অজাদ খানগা অমসুং ২শুবা সেমি ফাইনেলদা ৱাই লেলেঞ্জি অমদি এল প্রেমজিৎকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হুম্নিশুবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা কে ঐচ বোনানা এল জিতেনবু গেম ৯–৩দা, ৱাই লেলেঞ্জিনা রিবাস্করবু গেম ৯–৩ দা, অজাদ খান্না তুলেশ্বরবু গেম ৯–৭ তা অমদি এন প্রেমজিৎনা



ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লেলেঞ্জিনা বেকহেন্দ সোর্ট অমা য়েৌখিবা

মোৱিনস্তন কার্বি মরিংবু গেম ৯–২ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চংলকখিবনি। প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদনা মোৱিনস্তননা অতাপ্পু গেম ৮–৪ দা, জিতেন্না রোমিওবু গেম ৮–৩ দা, বোনানা লুচিংবু গেম ৮–১ দা, তুলেশ্বরনা বেকরবু গেম ৮–৬ তা, লেলেঞ্জিনা রাজিবপু গেম ৮–০দা অমদি রিবাস্করনা থোইহেন্বাবু গেম ৮–০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চংলকখিবনি।

মেন্স দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা প্রেমজিৎ–লেলেঞ্জিনা য়ুরিদাস–লুচিংবু গেম ৮–৩ দা, তুলেশ্বর–বেকরনা দেরেক–সুরেসপু গেম ৮–২ দা, রোমিও–প্রদিপনা প্রিতম–ইবোতোনবু গেম ৮–৫দা অমদি ইবোহল–রঞ্জননা রবি অমদি জিমিবু গেম ৮–৬তা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে।




## মণিপুরনা উরিষা ১দি রজ্জঠান থোইখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** কান্টিরাভ ষ্টেদিয়ম বেঙ্গলোর, কর্নাটকাদা চথরিবা ২৪শুবা মিনি নেসনলে ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫দা মণিপুরনা ঙসি মখাতানা উরিষা অমদি রজ্জঠানবু মায়থীবা পীরগা গ্রুপ (সি)গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

মণিপুরনা উরিষাগা শান্নখিবা মেটচতা সেট ৩–১(২২–২৫,২৫–২০,২৫–২২,২৫–১৩)দা অমদি রজ্জঠানগা শান্নখিবা মেটচতাসু সেট ৩–১ (২৫–১৮,২১–২৫,২৫–১৪,২৫–১৫)দা মায়থীবা পীরগা লীগ রাউন্দদা মেটচ অমত্তা মায়থীবা য়াওদনা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ ঙসিদগী মখা চথরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা চথরকপা ১০শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৫ হৌখিবা থা অসিগী ৯দগী শান্নবা লেপ্তুনা লাকখিবা অদু হয়েংদগী মখাতাবা মেটচশিং শান্নবা হৌরগনি। লীগ অসিগী রিভাইস ফিক্সর মখাদা পীরি।

| Date | Time | Match No. | Teams | | |
|---|---|---|---|---|---|
| 17-10-2015 | 12:30 p.m. | 36 | FC ZALEN | VS | NISA |
| | 2:30 p.m. | 37 | MPSC | VS | NACO |
| 18-10-2015 | 12:30 p.m. | 38 | TRUGPU | VS | TRAU |
| | 2:30 p.m. | 39 | YPHU | VS | ZFC |
| 19-10-2015 | 12:30 p.m. | 40 | SSU | VS | AIM |
| | 2:30 p.m. | 41 | NEROCA FC | VS | NISA |
| 20-10-2015 | 12:30 p.m. | 42 | USA | VS | FC ZALEN |
| | 2:30 p.m. | 43 | MPSC | VS | TRAU |
| 21-10-2015 | 12:30 p.m. | 44 | NACO | VS | ZFC |
| | 2:30 p.m. | 45 | TRUGPU | VS | AIM |
| 22-10-2015 | 12:30 p.m. | 46 | YPHU | VS | NISA |
| | 2:30 p.m. | 47 | SSU | VS | FC ZALEN |
| 23-10-2015 | 12:30 p.m. | 48 | NERCOA FC | VS | USA |
| | 2:30 p.m. | 49 | MPSC | VS | ZFC |
| 24-10-2015 | 12:30 p.m. | 50 | TRAU | VS | AIM |
| | 2:30 p.m. | 51 | NACO | VS | NISA |
| 25-10-2015 | 12:30 p.m. | 52 | TRUGPU | VS | FC ZALEN |
| | 2:30 p.m. | 53 | YPHU | VS | USA |

# সুব্রোটো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল

## মণিপুর ৪–১ দা মায়থীরগা রন্নরস অপ তাখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়ারিবা লিটল এঞ্জেলস পেরাদাইজ স্কুল ৱাংবলনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন – এফ সি (এ আই এফ এফ–এফ সি)গী মখুত্তা গোল ৪–১ দা মায়থীদুনা সুব্রোটো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫গী চহি ১৭ মখা নুপামচাগীদা রন্নরস অপ তাহৌরে। বেষ্ট প্লেয়ারনা মণিপুরগী লিটল এঞ্জেলস পেরাদাইজ স্কুলগী এস আর কাগলিনা তাখিবগা লোয়ননা বেষ্ট প্রোমিজিং প্লেয়ারগী মনানা এ আই এফ এফ –এফ সিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বিদ্যাশ্বর সিংহনা তাখি।

সুব্রোটো মুখর্জি সোসাইটিনা শিন্দুনা মমাং থাগী ৩০দগী নিউ দিল্লিগী ডাঃ অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচকী অহান্বা হাল্ফকী শরুক্তা মণিপুরগী লিটল এঞ্জেলস পেরাদাইজ স্কুলনা হেন্না শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচকী অহান্বা গোলসু ৬শুবা মিনিত্তা এ কে লোয়াঙম্বানা চনখি।

এ আই এফ এফ –এফ সিগী বাউরিংদাও বোরোনা ২৫শুবা মিনিত্তা শোত্থনা লৈখিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা অহান্বা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল ১–১ দা লৈনখি। অনিশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুক্তি এ আই এফ এফ–এফ সিনা ফিটনেস লেভেল ৱাংবগী খুদোংচাবা লৌরগা লিটল এঞ্জেল পেরাদাইজ স্কুলগী মায়োক্তা অকন্বা এটেক্ট কয়া তৌবগা লোয়ননা গোল অহুম চনশিনবগা লোয়ননা গোল ৪–১ দা মায় পাক্লুনা লেমজনিঙাই ওইরবা সুব্রোটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ট্রোফি থাঙ্গৎখ্রে।

গোল অহুম অদু মেটচকী ৫৪,৫৫ অমদি ৬৫শুবা মিনিত্তা রাহুল য়াদব, ইদমন লালরেনকা অমদি মুলচাহরি (পেনাল্টি)না গোল অমমম চনখিবনি।

লিটল এঞ্জেলস পেরাদাইজ স্কুলনা ২শুবা হাল্ফতা গোল ওন্থোকপা য়াবা তঞ্জা অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। চেম্পিয়ন অমদি রন্নরস অপ তাখ্রবা টিমশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা মথংশিনা লুপা লাক্ষ ৩.৫ অমসুং লুপা লাক্ষ অনিগী মনা ফংখি।

## ফেদরেসন কপতা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা ছেপাকটাক্রৌ টিম ওকখ্রে



এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** উরিষাগী রৌকেলাদা হৌখিবা থা অসিগী ২দগী ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ফেদরেসন কপ ছেপাকটাক্রৌ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫দা রেগু অমদি দবল ইভেন্টতা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুরগী নুপীমচা টিম ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা মণিপুর ছেপাটাক্রৌ এদ–হোক কম্মিটিনা শিন্দুনা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা লৈবা য়ুঠ এমেচর ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন (য়াৱা)গী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসার এস নির্মালাতা দেবী, এন জি মোতিলাল, এঠলেটিক এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল অজিৎ সিংহ, ওল মণিপুর ছেপাকটাক্রৌ এসোসিয়েসনগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি প্রিয়োবর্তা শর্ম্ম অমসুং য়াৱাগী প্রসিদেন্ট শরুক য়াখিবগা লোয়ননা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংদা সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

মণিপুরগী মহুৎশিন্দুনা চেম্পিয়ন ওইরকপদা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এ মাইপাক দেবী, কে ঐচ প্রিয়া দেবী, ও চাওবা দেবী, দব্লিয়ু প্রমো দেবী অমদি এম দেবিতা দেবীনি।

টিম কোচ অমদি মেনেজরনা টি ঐচ মুহিন্দ্রো সিংহ অমসুং দব্লিয়ু ইনাওবী সিংহনি।

## বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফর্স্ত অমদি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা চথরিবা ২শুবা ঐচ পীশক মেমোরিয়েল ফর্স্ত দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচতা সি ৱাই সি চীনিংকোননা এন সি ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চীরুবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ১৯শুখিবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইরগনি।

সি ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোল অনি অদু পি জি অপুমৈ অমদি জি গোম্থাংপাওনা ৪৭ অমসুং ৫৫শুবা মিনিত্তা অমম চনখিবনি। এন সি ৱাই দব্লিয়ু ওগী গোল অদুনা টি ঐচ দি হাংশিংনা ৬০শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।অমরোমদা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা চথরিবা ৯শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এম পি টু ৱাই এ মোইরাংনা আই এম এস দব্লিয়ু সি ইশোকপু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম পি টু ৱাই এগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল অজিৎনা ১২শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।

দব্লিয়ু ইবোয়াই, এল প্রেবিচান্দ,এস পুন্সি অমদি আর কে রঞ্জননা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ দা গ্রুপ (এ)গী আইদিএল ক্লব শুনুসিফাই অমদি য়ু কে সি সি এল ওইনামগা শান্নরগনি।

## থৌবাল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা হৈরোক কাঙজেবুংদা টিম ১৫না গ্রুপ অনিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী লীগ মেটচতা দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাঙ্খেম অমদি দি এল সি হৈরোক গোল ২–২ দা ড্রো ওইখ্রে।

দব্লিয়ু ৱাই সিগী গোল অনি অদু এস ননাও অমদি মঙলেম্বনা ১৫ অমসুং ৬১শুবা মিনিত্তা গোল অমমম চনখিবনি। দি এল সিগী গোল অনি অদুনা বিকাসনা ৩৮ অমদি ৬৯শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী শান্নগদবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু ও সি উয়াল লাক্তুবদগী বি এফ সি বেঙ্গীনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।

হয়েং গ্রুপ (এ)গী অহান্বা মেটচতা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়াম অমদি এল পি ৱাই সি লৈরোংথেলগা নুংথিল পুং ১.৩০দা অমসুং ২শুবা মেটচতা টি এল ৱাই সি হৈরোক অমদি নসাল শিখোংসেকমাইগা পুং ৩.২০ দা শান্নরগনি।

## ইষ্টকী ফর্স্ত দিভিজন লীগ মখা চথরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অবা গ্রাউন্দ ক্ষেত্রিগাওদা চথরকখিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিয়েল ফর্স্ত দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫ মতম খরা লেপলুরবা মতুং মখা তাবা মেটচশিং থা অসিগী ১৮ দগী শান্নবা হৌরগনি হায়রি। নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ১২.৩০ দা রাওগা নেসুগা অমদি পুং ২.৩০ দা ষ্টর ক্লবকা য়ুপি এস এগা শান্নরগনি।

## মণিপুরনা বিহার ১২–০ দা থোইখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** গোৱাদা চথরিবা জুনিয়ার গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫–১৬গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–১গী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মণিপুরগী অরোইবা মেটচতা বিহারবু গোল ১২–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলগী লম্বা ঙাইখ্রে।

হান্নদা সেমি ফাইনেল চংদুনা লৈখ্রবা বিহারনা মণিপুরগী মখুৎতা মায়থীখিবদগী রন্নরস অপ তাখ্রে।

মণিপুরগী মায় পাকপগী গোল ১২ অদু দয়ানা ৩০,৩১,৭৭,৮৪ অমদি ৯২শুবা মিনিত্তা গোল মঙা, কসমিনানা ২৯,৩৪,৪২ অমদি ৫৭শুবা মিনিত্তা গোল মরি, রঞ্জিবালা,হেমোলাতা অমদি রঞ্জনানা মথংশিংনা ৪,৩৬ অমসুং ৮৫শুবা মিনিত্তা গোল অমমম চনখিবনি।

মণিপুরনা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ–২গী ৱিন্নরগা থা অসিগী ১৯ থেংনগনি। গ্রুপ অসিদা উরিষা, দিল্লি,গোৱা অমদি মিজোরাম লৈরিবনি।

## য়ু এফ এ বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহান্বা অরুবম ইবোতোন মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দগী অহান্বা মেটচতা য়ু এফ এ বিষ্ণুপুরনা দব্লিয়ু ৱাই সি য়ুম্নাম খুনৌবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা থংননা মেটচ অনি মায় পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ৬ শুখ্রে।

য়ু এফ এগী মায় পাকপগী গোল অনি অদু প্রিয়োবর্তা অমদি এল পেংনা ৩ অমসুং ৩৫শুবা মিনিত্তা গোল অমমম চনখিবনি। দব্লিয়ু ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোবার্টনা ১৩শুবা মিনিত্তা চনখিবনি।

কে রোনেল, দব্লিয়ু ইবোয়াই, এস পুন্সি অমদি এল প্রেবিচান্দনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ দা ভি এফ সি বিষ্ণুপুর অমদি পি আই সি মোইরাংগা শান্নরগনি।

## ক্লাসানা কে কে সি ও মায়থীবা পীখ্রে


এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৬ :** ককৱা লৈফ্রাকপম লৈকাইদা লৈবা ইবুধৌ মোইরাংপোকপগী শঙলেনদা চথরিবা ৬০শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহজি কে সি এস আই–সি বি ই লীগ কম নোক– আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৫গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী অরোইবা লীগ মেটচতা ক্লাসা কৈনৌনা কে কে সি ও এলাংবম লৈকাইবু পাঞ্জল ২৭–৯ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে। হয়েং গ্রুপ (দি)গী অরোইবা মেটচ ওইনা এন এন কে নম্বোল অমদি এল এস কে ৱাঙ্গোই শান্নরগনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*

17 Saturday.pmd 1 16/10/2015, PM 10:56